# ‘চেংবনা কারগা কা-কুল্লগা কুম’

- এল ইবোমচা -

নুপা অমগী মথৌদি
কোল-লিক ৱাইরম শেংবা,
ফৌ-চেঙ শুদোকপা,
নঙগী নফি হেক শুদোকপা,
ঐনা থোংলগা নঙনা চাবা,
ঐনা য়েংলগা লৈবা নৎত্রা...?

মথক্কী ৱাহৈ অসি মতম অমদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা মীয়ামদা শন্দোক্তুনা তাহনখিবা ‘নুপীনা ঙম্বা নুপা’ মিংথোনবা ফাগি লীলা (ইপোম) দা নুপীনা ঙম্বা নুপানা মাগী নুপীদা হায়খিবা ৱাহৈদুনি।

মীয়াম্না নোংমাইজিং খুদিংগী নুংথিল পুং ১ তাবা খৌরাংনা ঙাইনবা মতমনি। মরমদি শ্রী সুধিরনা পুথোক্লগা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা শন্দোক্তুনা মীয়ামদা তাহল্লিবা ফাগি লীলা (ইপোম) তাবা ফংহৌনবনি। মতম অসি য়ূমথোঙ অয়াম্বা রেদিও সেট অমমমদি লৈনৈ, লৈতবা ইমুং য়াওরগনা অরৈবা মীগী ময়ূমদা তাবা চৎনৈ। হায়বদি মতমদুগী মীয়াম্না নোংমাইজিংগী ফাগি লীলা (ইপোম) তাবা য়াম্না পাম্নে। কয়ামুক য়াম্না তাবা পাম্নবগে হায়বদা করিগুম্বদা খুদোং চাহৌদবদগী তাবা ফংহৌদবা য়াওরবসু তাহৌবা মীদগী ৱারী ওইনা লিহল্লগা তাই।

মতমদুগী ফাগি লীলা (ইপোম) দা শরুক য়াখিবা শক্লাইরবশিং অদুদি ময়াং ইম্ফাল তোম্বী, তখেল্লম্বম চাউবা, ওইনাম বাবু অমসুং নুপী শাবী অচৌবী মীং ওইনা পনবা য়াই। অদুবু মীয়াম্না অশম্বীদা চাউবা, তোম্বী, বাবু হায়রগা থোইনা হেন্না খঙনৈ। থোইদোক হেন্দোক্লা য়োৎশবী মখোঙ অহুম হায়নসু অদুমক শীংথানৈ। অদুগা শেগাক কায়না মমিং চৎখিবা ফাগি লীলা (ইপোম) গী মমিংশিংদি - অহানবদা- নুপীনা ঙম্বা নুপা, অনীশুবদা - গঙ্গা থকপা অনী, ৩শুবদা - য়োংচাক্কা লাই থরোইগা লান শোক্লবা, ৪শুবদা - ইম্ফাল কাবা, ৫শুবদা- মঙদা শেল থৌবা, ৬শুবদা - লৌশিং তান্নবা হায়রিবশিং অসিনি। নোংমাইজিং খুদিংগী নুংথিল পুং ১দগী হৌরগা ১ মখায়দা লোইশিনবা পুঙ্খায় অমগী ওইবা ফাগি লীলা (ইপোম) মতমদুগী মীয়াম্না তারিমখৈ পেনবা নাইদবনা থুনা লোইশিনহন্নীংদে। মীয়াম্না হঞ্জিন হঞ্জিন্না তানীংদুনতা লৈখিবা ইপোমগী মমিংশিং অদুগী শন্নপ্পা ৱারী মতেক মতেকশিং অদুদি...!

অহানবদা, নুপীনা ঙম্বা নুপা - নুপাগী শক্তম লাংলিবা (চাউবা) দা মাগী নুপী শারিবী (অচৌবী) না ইমুংদগী তান্ন-তান্নদুনা মনঙ্গলদা চৈনা ফূ-ফূন্দুনা হোইদোরকপদগী হৌরে, খাম্বা ঙমদখৈ মীয়াম্না ৱা-ৱা নোকপা। অদুগা মথক্কী ৱাহৈ খরা অসিনা ফাগি লীলা (ইপোম) সিদা নুপীনা ঙম্বা নুপা (চাউবা) না মাগী নুপীদা নোং হেক ঙানবদা নুপা অমনা তৌগদবা মথৌদু মাগী নুপীদা খঙহন্দুনা মথং মনাও নাইনা হায়খিবা ৱাহৈদুনি। অদুগা ইকান কান্নদনা (বাবু) না শরুক য়াবা য়াওশিল্লকপদগী রেদিও তারিবা মীওইশিং অমুক্কা হেন্না শিথ-শিথ নোকখিবদা কনানসু খাম্বা লাকউবা ঙম্বা নত্তে।

অনীশুবদা, গঙ্গা থকপা অনী - তোম্বী অমসুং চাউবা অনীনা গঙ্গা থক্লা-থক্লা মখূৎনা লৈমায়দা লৈই চিংনদুনা ৱাখলনা পুখ্রি, য়ূম, লেত্রিননচিংবা শেমগৎ শাগৎনরক্লবা তুংদা গঙ্গাগী নিশা পান্নরক্তুনা খৎনরকপদগী লৈমায়দা চিংলম্বা লৈইশিং মখোঙনা, মখূৎনা মূত্থৎনবগী মতাং মিৎতা শং-শংনা উহন্দুনা অতাবা খুদিংনা শিথ-শিথ পূক্লি পায়দুনা নোকপা খাঙনখিবা ঙাক্তনি।

অহুমশুবদা, য়োংচাক্কা লাই থরোইগা লান শোক্লবা- ময়াং ইম্ফাল তোম্বীনা য়োংচাক্কা লাই থরোইগা মাগী চিন্না শোক্লবা কল্লবা লান্দগী মতমদুগী মমিং চৎলবা ৱারী লীবা ওজা, উচিৱা বিজয় (পান্দব) না মচিন মনাও মঙা অমসুং (কৌরব) মচিন মনাও চাম্মগী চিন্না শোক্লবা কল্লবা কুরুক্ষেত্রগী মরমদা লীবা ৱারীনা হেন্দে। অদুগা মণিপুরদা ফংলিবা মখল খুদিংমক্কী লৈশিংবু লৈশক লৈচুগা লোয়ননা অমমমতা ওইনা শৈথাদুনা প্রমান পাম্থেগা কোন্ননা মচিন্দগী কবোক পোকপগুম পোকথোরকপা অতাবা খুদিংনা মথবাক য়ৈনখিবা ঙাক্তনি।

মরিশুবদা, ইম্ফাল কাবা - চাউবনা শাইজিন মচুমগী ঈশিংনা তিনদা হাল্লগা চুহি শারগা ইম্ফালদা য়োনবা লাকপা অদুগা অমরোমদনা বাবুনা থুমোক্তা লৈঙোইনা থুম শারগা য়োনবা লাকপদা মখোয় অনী গম লাওনা হেক উনবগা ঙাঙন-শক্লখিবা দাইলোগ, রেদিও সেট মমাঙদা ফমদুনা তারিবা খুদিংমক ৱান্থ-ৱান্থ নোক্তুনা পূক্লি পায়দুনা খাঙনখিবা ঙাক্তনি।

মঙাশুবদা, মঙদা শেল থৌবা- মসিদনা অমুক্কা হেন্না পূম্নমক্তগী নোকপা হেনখ্রে। মরমদি অমখক্তং শরুক য়াবদা শিদৌখৈ নোক্লবদা, মখোয় মরিমক হায়বদি চাউবা, তোম্বী, বাবু, অচৌবী পূন্না শরুক য়াবদগীনি। করি থোক্লে ঙসিদি, নোকপা হেনমনখিদুনা ৱান্থদেদা খাকই, বাবুনা মঙ মনুংদা চঙদুনা লৈখ্রগা মপান্দা লৈহৌবা চাউবগা অওক অথোংদা কির-কিরবা ৱারী-ৱাতাই শানরকপগী মতাং অদুদি তশেং তশেংনা মিৎনা হেক উবগুম থোক্তুনা শিথ-শিথনা ৱা-ৱা নোকমিন্নখিবা তাহৌবা কনানা করম্না কাউবা ঙমগনি।

তরুকশুবদা, লৌশিং তান্নবা - মসিদসু অদু মঙাই তোম্বী, চাউবা, বাবু অহুমগী লৌশিং তান্নবগী ৱারী তাবদা ময়াদা কাং-হয়িং চঙখিবা খঙনবা নত্তে। হায়বদি তোম্বীগী মপানা শারগা থনম্বা পুঙ, চাউবগী মপানা শারগা থনম্বা মৈতৈ য়ূমজাও অদুগা বাবুগী মপানা লোয়রম্বা ইরোই, মসিগী মরমদা মখোয় অহুম্মক্লা অমমমতা ওইনা থাগৎনরগা লৌশিং তান্নরকপদা অতাবা অমত্তনা নোকপা খাংজিনবা ঙম্বদি লায়রদনা মনপ-মতিন, মপি ওরো-ওরো তাবমখৈ কপনোক নোকই।

অসুম্না চহী খরা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা চয়োলগী শন্দোকপা ইপোম মীয়াম্না তাবা য়াবমখৈ তারবা তুংদা মখোয়না শক্তম লাংলগা মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিন থুংনা শুমাং লীলা ওইনা অমুক শান্নবা হৌরকপদগী ইপোম লীলা হায়দুনা মমিং খংচৎ চৎখি। তশেংনা হেক হায়রবদা ইপোম লীলানা অতৈ লীলাশিং চহী অনী/অহুম্মুক লৈখা তাহনখি হায়বা য়াই।

হায়রিবা মতমসি মক্তদা ময়াং ইম্ফাল তোম্বীনা হায়বিরম্বা ৱাহৈ খরা হঙ্গৎনা নীংশিংবা য়াই মদুদি ঐনা চহী ৩০ মুক লীলা য়াওদুনা তাল্লকপা পৈশাদগী চহী ২ মুক্তং ইপোম লীলা শান্নবদা তানবা পৈশানা হেল্লি, অদুগা অমনা হিয়াংথাংগী থাদোই লীলা পার্টিনা চহী ৩ খক্তং লীলা শান্নবদা তানবা পৈশানা চহী ৩০ হেন্না শান্নরক্লবা লীলা পার্টি অমনা তানবা পৈশাদগী শোয়দনা হেল্লমনি। অদুগা মসিমসু হায়রম্মী মদুদি মতম অমগী চেংবা ফাগি অদুগা ঙসিগীনা (ইপোম) অমত্তনি। ‘চেংবা’ হায়বগী ৱাহন্থোক্তি লাইবক হায়বনি। লাইবক লৈবদগী মমিং চৎখিবনি। মসিবু ‘চোঙবা কাবা’ কৌই। হায়বদি চুড়াচান্দ মহারাজগী মতমদা চেংবা ফাগি মমিং চৎলি। চেংবা মীগী মমিং নত্তে, মাগী অশেংবা মমিং লৈজে। নোংমা মানা নিংথৌগী মমাঙ মক্তদা ‘চেংবা’ লাইবক য়েংবীদা ফাগি খরা শান্নরুবদা নিংথৌনা পেনখিবদগী মণিপুর শেগাক কায়বমখৈ মমিং চৎখিবদগী ‘চেংবা ফাগি’ হায়না খঙনখি। লাইবক ফবদগী মায় পাক্লগনা - চেংবা কাবা, মায়থীরগনা ‘চেংবা কুম্বা’ হায়না খঙনবনা ঐখোয়না হৌজিক শান্নরিবা ইপোমসু চেংবা কাবা ওইদুনা লাইবক ফবা হায়বদু ওইরে। মসিগী খুদম হায়ববু মথক্কী ইপোমদা শীজিন্নখিবা ৱাহৈ অসি মীয়াম্না শকখঙলবা লোন্দা হায়বদু ওইখ্রে। মরম অসিনা পুন্সিসিনা হিংদুনা লৈরিমখৈ হোৎনবা লেপ্লোইদবনি, হোৎনরুবা তুংদা ফংবা মহয়দুবু কৌই ‘চেংবনা কারগা কা, কুল্লগা কুম’...। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হিংলিবা নঙসু শোয়দনমক্কী...

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীওইবা ওইনা পোক্লগা মীওইবগীদমক অফবা থবক তৌবগী ৱাখল য়াওদ্রবা মীওই অদুমক মশাগীদমক খনবদা হায়ফম খঙদনা ৱাজবা অদুমক ওইদৌরিবনি। হিংলিঙৈগী মতমদা মরন-মথুম চীং অমুক ৱাংনা পৈদুনা লৈরবসু মশা মথন্তগী ওইজবা থিবা কনা কনাগুম্বগী মতেং পীগে পাংগে খন্দবা কয়া অমসু অদুমক ময়াওবনি। লায়র-অনং কয়াগীদমক অঙম্বা মতেং পীগে হায়দুনা হোৎনজরিবা অদুগুম্বা মীওইদুমক মানা তাইবঙপান থাদোকখ্রবসু মাগী মমিংদি অদুমক ... মসি পংহায় হায়জিনবা নত্তে। লাইওইখ্রবা কয়া অমা লৈখ্রবসু মখোয় ময়ামদুগী মরক্তগী ঙসি ফাওবা নীংশিংদুনা শোনবা মশীং পংয়াম য়ামগদবা নত্তে। নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ মখোয়শিংগী মমিং হিংলিবা ঐখোয়না শোন্নদুনা...। তুংগী পোরম খঙবা মীওই খরতনা মশাগী অহেনবা মরন মথুম লায়র-অনংশিংদা দান তৌথোকপা মসিগী মতাংদা কনা অমত্তনা থৌজাল লৈরবা মীওইদুবু ফত্তেদা খক হায়নগদবা নত্তবনি। মমা অমত্তনা পোকপা মচা ফাওবদা অমনা অমবু নুংশিনদনা ময়ূম ফাওবা মাঙ্গোল খাজিন্নদুনা লৈনবা মসিমা মুন্না খল্লুরবদি মশাতগী ওইনা খনবতগীনি। ময়ূম মকৈবু পাল্লবা অয়াম্বনা তোঙান চানবগী থবক অসিমা তৌদবা য়াদবদৌনা তৌনখৎলকপা কৈরোই লৈকায়দা মশীংবু ওন্থোক্লা য়াল্লক্লবনি। ময়ূম মকৈ পানদ্রিঙৈগী মতমদদি চাক চাক্লুক অমদা পূন্না ফম্মিন্নদুনা হাওবা হাওতবা চাক চামিন্নরম্বা পূম্নমক কদোম কদোমদগীনো খঙহৌদনা উহৈ ৱাহৈগী মশুং-মশুং নাইবগুম নাইনরকপা মসি মতাংদা অপোকপা অপোকপীনা ফনা য়াম্না য়াজদ্রবসু মচাগী মমৌগী অপাম্বা ওইখিবা মমা মপাগী অপাম্বা হায়বদুমদি ওইদ্রবনি। য়ূমলেপ চারা তল্লবনিনা মতমগী মতুংইন্না মখোয়গীসু ধারা নালা হায়বা অমা নমদনা লাক্কদৌরিবনি। নোংম-নোংমা হৌখিদুনা নোংমদি পীশক পীক্লা লৈরম্বা অঙাং নৱানি হায়না মমা মপা ওইবা অনীনা খঞ্জরম্বদু মখোয়গীসু মতাং মতমগী মতুংইন্না য়ূমলেপ চারা তল্লক্কদৌরিবনি। মসিগী মতাংদনি খুলং লমন হায়বদুমা নমদনা ওইদৌরিবনি।

চেঙ পুরগা চেঙ শিং, ফৌ পুরগা ফৌ শিং’ অহল লমনশিংনা হায়নবা পাউরৌ অদুমক শোয়দ্রবনি। মসিগী ৱাফমসি নাথৈদুনা খক চৎলরোইদবনি। খোইদ্রিং খোইদ্রাং তৌবা মীওইদুনা কনাবুসু থাজবা লৈতে। মশাগীদা ফরগা লোইরে খঞ্জবা মসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈরোইদৌরিবনি। শকমান লেংমান্নবা মরুপ-মপিজা কয়ানদি মাবু কৈদৌনুংদা নুংশিবা হায়বদুমদি ওইররোই। মশা মথন্তা তোঙান তাদনা লৈদৌরিবনি। মীওইবা ওইনা পোক্লগা মশা মথন্তা তোঙান তাদুনা লৈবা হায়বসি অফবা ওইনবগী লম্বীদি কৈদৌনুংদা ওইররোই। মসি মশাগী অশোয়বা অমা লৈবদগী মীয়ামগা ৱাখল... মসিনা মরম ওইদুনা...। মসি মীওই খুদিংগী ওইবদি নত্তবনি। হায়নবা খরদি লৈ মদুদি মীয়ামগী মরক্তগী তোখাই তাদুনা মীয়ামনা অঙাওবা ওইনা খল্লিবা অদুগুম্বা মীওইদুদগী তোঙান তোঙানবা ৱাখল ... কায়নথংদা মীয়াম্না শীংথাবা মীওইশিংগী মনুংদা নমদনা চনদৌরিবনি। মীওই অমবু মীওই অমনা নুংশিদবা হায়বসি মনুংদা করিগুম্বা খরদি লৈরমদৌরিবনি। পোকপু পোক্লবা নোংমদি শুংশোয় শোয়দনা অশি লৈবাক্তা কনা অমত্তা য়াওদনা মরোমদোম চৎকদৌরিবনি। মসিগী ৱাফমসিমক নোংমগী মনুংদা সেকেন্দ অমত্তা ওইরবসু নীংশিংবা ঙম্বগী থৌনা পাঙ্গল লৈরবা কনাদসু তাথীনা মীগী ফত্তনবা তৌগে হায়বা খল্লরোইদৌরিবনি।

মী ফত্তবগা লাই ফত্তবগা অনীসি করম্বনা অফবনি হায়দৌরি? হায়নীংঙাই লৈতে। লাই ফত্তবসু লাইয়ামশিংগী মনুংদা লৈবা য়াদ্রদুনা লমহাং তুমহাং, মী কয়া চঙনদবা মোংশোংদা লৈরিবনি। নুমিৎ চপ য়ুংবদা মোংশোংদা, লমহাং তুমহাংদা চৎতবা য়াদনা চৎলবসু চেকশিনবগী তঙাইফদবা হায়বদু ওইরিবনি। করিগুম্বা মতমদা অহলশিংনা হায়নবা লৈরিবনি। নুমিৎপু চপ য়ুংলবা লাই থোকপনি... হায়নবগী ৱানি। থোকপ্রা, থোক্তব্রা খঙবা ঙম্বা নত্তে। তৌবগীবুদি করিগুম্বা মতমদা হায়রিবা নুমিৎ চপ য়ুংবসিদা লাই ওক্লদুনা লায়কন্নবা ঙমদনা... মসি থাজদবা য়াবা নত্তে। হায়নরবদি অচুম্বা খরদি য়াওদনীংঙাই লৈতে। হায়নরিবা ময়ামসিগী মনুংদা নঙ ঐনা থবক ওইনা পাঙথোকপীরুদ্রগা লোইরে।

কনা কনাগুম্বনা হায়নবা লৈরিবনি, মখোয়গী ইমুংসি হন্দক্কী চহীসিদি ‘মোংবা’ চঙলব্রা করিনো মওং অমা তৌরবনি। মসি ফদুনা হায়নবা নত্তে। মোংবা হায়রিবা উচেকসি করিগুম্বা মতমদা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না লৈরিবা য়ূমদা চঙলম্বা থোক্লবা ফত্তবগী লম্বীদা নীংজিং মাংজিংনরদবনি। ফত্তে হায়বা অদুতা তৌবীদ্রগা লোইরে। ধর্ম্ম লৈবা লৈতবা হায়বসি মানা তৌরিবা থবক অদুনা পুগদৌরিবনি। মীওইবা মরক্তগী থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়ামদগী হেল্লবা মহাক অদুমা মাগী মমিং শোয়দনা হায়নরগদবনি। অফবা ওইগেরা ফত্তবা ওইগেরা অমা হেক্তা ওইবদা কনানসু করিসু হায়রক্লরোইদবনি। ময়ূম মকৈ পাল্লবা মতুংদা মাবু হেক পোকচরিবা মমা মপা অনীবু তোকখাই লৈহন্নবা হোৎনরকপা লোয়ননা তোঙান চাহনবগী থবক থৌরম অমা শিল্লকপা অসিগুম্বা থবক অসিনা মশীং লাকঙমদনা লৈখ্রবা পোৎনি। ফত্তবা ওইরকপসি মরু ওইনা ময়ূম পান্দ্রিঙৈগী মতমদদি নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরম্বা ঙাক্তনি। ময়ূম পাল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা য়ূম্বাল্লোনগী ফীভম মনুং হুৎনা করিগুম্বা অশোয়বা খরদি... মসি মী মীদুগী মতুং ইনগদবনি হায়বসিসু অকায়বদি নত্তে, অচুম্বনি। ইচানুপা পোকই ইমৌগী, মসিগী ৱাহৈসিমদি ওইদনবা/তাদনবা মচা ওইবা মহাক্লা হোৎনবদা... মাগী নুপীনা হায়রবদি লোইরে খঞ্জবা নুপাদুদি নোংমদি শোয়দনা মীমাং থোক্তনীংঙাই লৈরোই। মচিন মনাও মমা মপাবু থৌওই ৱাওইদনা তৌরবা অদুগুম্বা মীওইদু কৈরোই লৈকায়না ফাওবা নুংশিবদি লায়রদুনা হু তরেৎমুক খারমদৌরিবনি। করিগুম্বদা লৈশাবী মানা মৌগী শীংদা চন্দুনা য়ূমলেপ চারা তল্লবসু মাগী মপুরোইববু পোকপিবা মনেম মকু অমদি ময়াম্বা মনাওনুপা তৎনা থানবা য়াদ্রবা ঈ মরীনি হায়বসিমা মতম অয়াম্বদা কাউরোইদবনি। থকসি-খাসি নাইনা মৌ অমগী মথৌ ফজনা তৌবদা নুংশিদবা কনাসু য়াওররোইদবনি। লুহোংখিবা চহী ফারকপদা তোঙান চাগনি খল্লিবা মদুগুম্বা মৌ, পূম্নমক মাগী খুজিন থৌরাং নত্তনা অতৈ করিসু ওইররোইদবনি। শিরগা লোইরবা তাইবঙপানসিদা খ্বাইদগী লুনা হিংলিবা ঐখোয়না খনগদৌরিবসি অমগা অমগা নুংশিননবা হোৎনবসিদগী হেনবা অমা অমুক লৈত্রবনি।

**অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা**
খুরাই লাই ৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল


## হিয়াংথাং বরগী পোৎফম থাজরগনি

লাক্লিবা তাং ০৪/০৯/২০২২ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ৮:০০ তাবা মতমদা KSYC গী ক্লবতা বরগী পোৎফম থাজরগনি।

খঙহঞ্জরিবা ঃ **Secretary,**
Publicity/ Print & Media,
KSYC

HL-P/3996/1

## / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Registration Certificate bearing No. 9279 of 2021, issued by COHSEM on the way between Samurou Bazar to Wangoi Bazar on 27th August, 2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Jetly Hidam**
Samurou Makha Leikai,
# 8730963565

HL-P/3753/1

## / R.C. BOOK LOST

I have lost my R.C. Book of Activa 5G bearing Registration no. MN04D-9489, Chassis No. ME4JF50AKT542325 and Engine No. JF50ET-7542412 issued by DTO Thoubal, Manipur on the way from Mantak to Kakching Bazar on 10/07/2022. I could not found my R.C. Book till date. If anybody found it, please inform to the same to the undersigned.

Sd/- **Kipneiyang Serto**
Mantak Village, P.O. & P.S. Kakching
District Chandel

HL-P/3757/1

## শ্রীমতি লৌক্রাকপম ওংবী তোম্বী দেবীবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

PMAY হাওজিং ফোর ওল স্কিমগী মখাদা অহানবা অমসুং অনীশুবগী শেন্থং ঐহাক ইশাগী Bank Account তা হাপ্পীরক্তুনা ইশাগী য়ূম শাবদা অচৌবা মতেং অমা ওইহনখিবা অসিগীদমক স্কিম অসিবু হৌদোকপীখিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী নরেন্দ্র মোদিজি অমদি ৱার্ড নং ২০, আই এম সীগী কোর্পোরেটর ওইবীরম্বী শ্রীমতি লৌক্রাকপম ওংবী তোম্বী দেবী অনীবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপগা লোয়ননা তৌবীমল খঙবা ফোঙদোকচরি। অসিগুম্বা কান্নরবা স্কিম অসি ৱার্দ অসিগী মীয়ামদা ফংহন্নবা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা ইচং থৌনা হোৎনরিবী শ্রীমতি এল ওংবী তোম্বীনা মতুং তারকপা মাগী থবক থৌরম কয়াদা মায় পাকপী মীওই অমা ওইবা ওইরসনু হায়না থম্মোয় শেংনা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবা ঃ **শ্রী অরিবম ইনিলকুমার শর্ম্মা**
ৱাংখৈ ৱাংখৈময়ুম লৈরক, ৱার্দ নং ২০,
আই এম সী য়াইস্কুল কেন্দ্র

HL-P/3994/1

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST

### / NOTICE FOR OBJECTION

Dated, the 31st August, 2022

**No.1/prop/SR/2021(IE):** It is hereby notified for general information, that an application has been received by this office from **The Apunba Women's Association** on 30/08/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rule, 2004 within the area of operation of Brahmapur Bheigyabati Leikai, Leirak No. 6, Imphal East District.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhar of the complainant or Secretary with seal for Assn./NGO/Orgn) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./Organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complain/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **S. Mahendra Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.

HL-P/3993/1

## T.M.D. BRICK FARM

Address: Opp. Khongjom Police Station
NH-39, Thoubal District, Manipur

| Sl. No. | Brick Class | Rate per 1 Brick |
|---|---|---|
| 1. | 1st Class | Rs. 15.00/- |
| 2. | 2nd Class | Rs. 14.00/- |
| 3. | 1st Reject | Rs. 13.50/- |
| 4. | Petti | Rs. 13.00/- |
| 5. | Jhamat | Rs. 11.00/- |
| 6. | 3rd Class | Rs. 8.50/- |
| 7. | Broken brick (Chektek) 1 (407 Truck) | Rs. 6000/- |

DELIVERY TRANSPORTATION CHARGES

| KM (Distance) | No. of Bricks | Rate |
|---|---|---|
| 30km | 2000 | 2800/- |
| 15km | 2000 | 2000/- |
| 10km | 2000 | 1500/- |
| 30km | 1500 | 2300/- |
| 15km | 1500 | 1700/- |
| 10km | 1500 | 1200/- |

Labour Charges:
2000 Brick, Rs. 800/-
1500 Brick Rs. 600/-

*First Come First Serve*

Contact No. 8119002731/7005658426

HL-P/3755/1/9-29/9 (alt)

## / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7793/11/8-11/9

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref. Mutation Case No. 197/SDC/(WKG) of 2022**
**Date : 31/08/2022**

App :- Khumukcham Ibochouba Singh S/o (L) Kh. Kebol Singh of Kak-Khunou.

-Vs-

Opp :- (Late) Khumukcham Kebol Singh S/o (L) Padama Singh of Kakching- Khunou.

### / NOTICE

Dated, 31/08/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 80-Kakching Khunou পাট্টা নং 274/1235 দাগ নং. 2011/2287 এরিয়া 1.25 একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখ্তজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/3998/1

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU

**Ref. Mutation Case No. 417 of 2022**

App :- Kongkham Monica Chanu, W/o Yumlembam Badal Singh of Sugnu Mayai Leikai.

-Vs-

Opp :- (Late) Thounaojam Mani Singh S/o Meinya Singh of Sugnu.

### / NOTICE

Dated, 31/08/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৯১ নং সুগ্নু পাট্টা নং ২৬১ দাগ নং. ২৩৪৫ এরিয়া ০.১০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টাকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখ্তজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/3998/1

## / WANTED

SKILLED LABOUR & HELPER FOR TYRE RETREADING WORKS JOB.

| Sl.No. | Post | Vacancy | Experience | Salary/Negotiable |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Skilled Labour | 10 | 2 years | 10K to 25K |
| 2. | Helper | 5 | Nil | 5K to 8K |

***Document Required :-*** Bank Details, Aadhaar card xerox copy. Only Male Candidate and should be Domicile of Manipur State. Weekly salary payout policy. Age 18 to 35.

***Contact :-*** **N. TENNYSON** M/s SHITOVA TYRE RETREADER & SERVICE

Authorised Franchisee of Elgi Rubber Company Limited. Kooltread Precured Retreading System. H.O. Sagolband Tera Bazar Imphal West- 795001.

HL-P/3754/1-7/9

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref. Mutation Case No. 192/SDC/IW/LC of 2022**

1. Takhellambam Sanatombi Devi, W/o. (L) T. Manglemba Singh of Keibung Oinam Leikai
2. Takhellambam Ramananda Singh, S/o. (L) T. Manglemba Singh of -do-
3. Takhellambam Shadananda Singh, S/o. (L) -do- of Singjamei Makha Naorem Leikai
4. Takhellambam Umananda Singh, S/o. (L) -do- of Keibung Oinam Leikai
5. Takhellambam Shamananda Singh, S/o. (L) -do- of -do-

-Petitioners

-Vs-

Late, Takhellambam Manglemba Singh, S/o. (L) Ibotombi Singh of Kakwa Naorem Leikai

- Opposite Party

### / NOTICE

Lilong Chajing the 31st August, 2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৫-ওইনাম লৈকাইগী অরিবা পাট্টা নং ৫৮ অনৌবা পাট্টা নং ৩৮ দাগ নং ৮৭ এরিয়া ০.১৯৫০১ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার তখেল্লম্বম মংলেম্বা সিংহ পীং মৃ: ইবোতোম্বী সিংহ সাং ককৱা নাওরেম লৈকাই অসি মৃ: ওইখ্রবা মরম্না মহাক্কী মমিংদা লৈরিবা ইংখোল অসি Petitioner নং (1) গীনা ০.০১৫০০ একর Petitioner No. (2), (3) অমসুং (4) গীনা ০.০৫৬২৫ একর, ০.০৫৬২৫ একর, ০.০৫৬২৫ একর মথংশিংনা অমদি Petitioner No. (5) গীনা ০.০১১২৫ একর অসি মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা ইংখোল অসিগী মরীদা আপতি তৌনিংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা “নোটিশ” অসিনা পাউচে অসিদা হাপ্পা নমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্তা কোর্ট অসিদা আপতি তৌরদ্রগদি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/3995/1